

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*দ্রগ শিজিন্নবগী মতাংদা চেন্নে হায়দুনা মরাল পীখ্রবা মতুং চয়োল অহুম মশানা দ্রগ শিজিন্নে নংত্রগা শিজিন্নদে হায়বগী শেংদোক্লবগী মতম ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী গোলকিপর সুব্রত পোল*

*মাদ্রিদ ওপনদা রোমানিয়াগী এম কোপিলগা অকনবা লন্বা অমা থেংনরবা মতুং অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে*

## জুবেন্টসনা মোনাকোবু এগ্রিগেটতা ৪–১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬–১৭ গী অহানবা ফাইনেল য়ৌবা টিম ওইখ্রে

*টুরিন, মে ১০ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬–১৭ কী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা ইটালিগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা জুবেন্টসনা ফ্রান্সকী মোনাকো ক্লবপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা এগ্রিগেটতা ৪–১ দা হেন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ফাইনেল য়ৌবা টিম ওইখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি টিম অনী অসিনা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ শান্নখিবদা জুবেন্টসনা মোনাকোবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। মেটচ অদুদা জুবেন্টসকী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা গোঞ্জালো হিগ্বাননা পাঞ্জল অনীমক চনবা ঙমখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা জুবেন্টসনা য়ুম্ব ওইদুনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা খরা মান্নরকখি। অদুবু শান্নবগী মতম খরা হৌজিল্লক্লবা মতমদা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি।

মতম কুইনা টিম অনীনা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মারিও মান্দঝুকিকনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মোনাকোদগী মাঙজিল থাবা হৌখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারবা মতুং জুবেন্টসনা মোনাকোগী গোল এরিয়াদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই দানি অলভেসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা মোনাকোবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীনা য়াম্না লম্বা মান্ননা অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জলদি হাপচিনবা ঙম্নখিদে। অদুবু শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা মোনাকোনা পুশিল্লকখিবা য়াম্না ফজবা বোল অমা কাইলিয়ান মবাপেনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা শোথরম্বা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা ফ্রান্সকী ক্লব মোনাকোনা ইটালিগী জুবেন্টস ক্লবপু পাঞ্জল অহুম হেন্দুনা থোইরম্বা তারবদি মখোয়না চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙলম্বা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শেথরিবা মোনাকোগী শান্নরোইশিংনা জুবেন্টসকী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা শান্নরকখি। অদুবু জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা য়াম্না ফজবা দিফেন্সিপ ওইবা মওং দা শান্নদুনা লৈখিবদগী মখোয়গী হোৎনজমন অদু অরেম্বা তাহনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনসু মখা তাবা পাঞ্জল থিদুনা শান্নরকখিবা অদুসু মোনাকোগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা থমখ্রবা মতুং মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু জুবেন্টসনা পাঞ্জল ২–১ দা মোনাকোবু থোইখিবগা লোয়ননা এগ্রিগেটতা ৪–১ দা হেন্দুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অনীশুবা সেমি ফাইনেল লেগকী মেটচ রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদনা ঙসি অথেংবদা লম্বা তৌনরগনি। নীংশিংবা য়াবদি অহানবা সেমি ফাইনেল লেগতা রিয়েল মাদ্রিদনা এটলেটিকো মাদ্রিদপু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইখিবনি।



*জুবেন্টসকী দানি অলভেস (ময়ায়) না মোনাকোগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লুরবা মতুং টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

## দিল্লি দেয়রদেভিলসনা গুজরাট লাইওন্সপু আইপিএলগী ৫০ শুবা মেটচতা ৱিকেট ২ দা মায়থিবা পীখ্রে

*কানপুর, মে ১০ঃ*

উত্তর প্রদেশকী কানপুরদা লৈবা গ্রিন পার্ক ষ্টেদিয়মদা ঙসি ভিভো আইপিএল সিজন টেনগী ৫০ শুবা মেটচ শান্নবদা দিল্লি দেয়রদেভিলসনা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ২ দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস দিল্লি দেয়র দেভিলসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা গুজরাট লাইওন্সনা মখোয়গী ইন্নিংসকী অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৯৫ লৌখি।

গুজরাট লাইওন্সকী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফিভম খরা শোকখ্রবসু মখা তারকপা বেটসমেন দিনেস কার্থিক অমসুং অরোন ফিন্সকী পার্ফোমেন্সনা ইন্নিংস অদু ফজহল্লকখি।

কার্থিকনা বোল ২৮ দা রন ৪০ লৌরমখি। অদুগা আরোন ফিন্সনা বোল ৩৯ দা রন ৬৯ লৌরম্বনি। মখোয় অনী আওট ওইখ্রবা মতুং রবিন্দ্র জাদেজানা বোল ৭ তা রন ১৩ লৌখিবা অমদি জেমস ফোল্কনরনা বোল ৮ দা রন ১৪ লৌরমখি।

গুজরাট লাইওন্সনা থম্লম্বা রন ১৯৬ গী টার্গেট অদু লৌননবা হোৎনরকপদা দিল্লিনা ওভর ১৯ গা বোল ৪ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৯৭ লৌখিবদগী মেটচ অদু দিল্লি দেয়র দেভিলসনা ৱিকেট ২ দা মায় পাকপা ঙমখি।

দিল্লিগী ইন্নিংস অদুগী ওপনর ওইনা থোরকখিবা সঞ্জু সামসন রন ৬ খক লৌরম্লগা আওট তাদুনা রিসব পন্ট শান্নবা চঙলকখি। মহাকসু রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদনা রন আওট ওইখি।

রিসব পন্ট আওট ওইখ্রবা মতুং নৌনা চঙলকখিবা স্রিয়েস লায়রনা ওপনর ওইনা থোরকখিবা করুন নায়রগা পার্টনর ওইদুনা শান্নরকখিবদা রিসব পন্ট বোল ১৫ দা রন ৩০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

স্রিয়েস লাইয়রনা বোল ৫৭ তা সিক্স ২ অমদি ফোর ১৫ য়ৈদুনা রন ৯৬ লৌরমখি। অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ৩০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।



*দিল্লিগী মায়কৈন্দগী য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উত্থনা বোল ৫৭ তা রন ৯৬ লৌখিবা স্রিয়াস আইয়র*

### IPL Season 10 Point Table

| Rank | Team | M | W | L | Tied | N/R | Points |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | MUMBAI INDIANS | 12 | 9 | 3 | 0 | +0.903 | 18 |
| 2 | KOLKATA KNIGHT RIDERS | 13 | 8 | 5 | 0 | +0.729 | 16 |
| 3 | RISING PUNE SUPERGIANT | 12 | 8 | 4 | 0 | -0.060 | 16 |
| 4 | SUNRISERS HYDERABAD | 13 | 7 | 5 | 1 | +0.565 | 15 |
| 5 | KINGS XI PUNJAB | 12 | 6 | 6 | 0 | +0.280 | 12 |
| 6 | DELHI DAREDEVILS | 12 | 5 | 7 | 0 | -0.590 | 10 |
| 7 | GUJARAT LIONS | 13 | 4 | 9 | 0 | -0.361 | 8 |
| 8 | RCB | 13 | 2 | 10 | 1 | -1.454 | 5 |

## ইন্দিয়াগী গুরপ্রিত সিংহ অমসুং হরপ্রিত সিংহ এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ১০ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্ব ওইদুনা ঙসিদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখিবা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ কী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর গুরপ্রিত সিংহ অমসুং হরপ্রিত সিংহ ব্রোঞ্জ মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী রেষ্টলর গুরপ্রিত সিংহ অমসুং হরপ্রিত সিংহনা চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গ্রেকো রোমান ৱেঠ দিভিজনদা শরুক য়ারকপনি।

গ্রেকো রোমানগী কেজি ৭৫ দা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী গুরপ্রিত সিংহ কজাকষ্টানগী রেষ্টলর মেক্সাট য়েরেঝেপোভকী মখুত্তা পোইন্ট ৬–৮ দা মায়থিবা নংখ্রবসু মেক্সাট য়েরেঝেপোভ গোল্ড মেডল রাউন্দ য়ৌখিবা মরম্না ইন্দিয়াগী গুরপ্রিত সিংহগী মেডল ফংবগী তাঞ্জা অদু লাকখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর হরপ্রিত সিংহনা কেজি ৮০ গী কেটেগোরিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা জপানগী য়ুয়া মেটাবু পোইন্ট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা কোরিয়াগী জুন য়ং কিমগী মখুত্তা য়াম্না থিনা পোইন্ট ০–৮ তা মায়থিবা নংহৌবনি। অদুবু মহাকপু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্বা কোরিয়াগী জুন য়ং কিম চেম্পিয়ন্স অসিগী ফাইনেল য়ৌখিবদগী হরপ্রিত সিংহসু মেডল ফংবা য়াবগী তাঞ্জা লাকখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর রবিন্দরনা কেজি ৬৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারকপদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ইরানগী রেষ্টলর আলি রৈজোল্লা অর্সালানগী মখুত্তা ৩–৫ দা মায়থিবা নংখি।

কেজি ৮৮ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর হর্দিকসু কজাকষ্টানগী রেষ্টলর য়েরুলান ইস্কাকোভকী মখুত্তা পোইন্ট ০–৯ দা মায়থিবা নংখি।

এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা কেজি ১৩০ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নবিনসু উজবেকিষ্টানগী রেষ্টলর মুমিনজোন অব্দুলেভকী মখুত্তা পোইন্ট ১–২ দা মায়থিখি।



## মাদ্রিদ ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসতা লাটভিয়াগী শান্নরোই অনাষ্টেসিয়া সেভাষ্টোভা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

*মাদ্রিদ, মে ১০ঃ*

স্পেনগী সহর মাদ্রিদতা চথরিবা মুতুৱা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লাটভিয়াগী শান্নরোই অনাষ্টেসিয়া সেবাষ্টোভানা স্পেনগী শান্নরোই এল অরুৱাবরেনাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সেবাষ্টোভানা ঙসি অরুবারেনাবু অহুমশুবা রাউন্দগী অহানবা সেট অদুদা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নদুনা গেম ১০ ফাওবা গেম ৫–৫দা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু সেবাষ্টোভানা থংনবা গেম অনী থংন–থংননা থোইবা ঙমখিবদগী ৭–৫দা থোইদুনা অহানবা সেট লৌখি।

অনীশুবা সেট শান্নরকপদা লাটভিয়াগী শান্নরোই সেবাষ্টোভানা অরুবারেনাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬–২দা থোইবদগী টুর্নামেন্ট অসিগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগী শান্নরোই কিকি বর্টেন্সকা লম্বা তৌনরগনি। বর্টেন্সনা মহাক্কী ৩শুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী আই সি বেগুবু ৬–১, ৭–৫দা থোইরমখি।

নুপীগা কাংলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি স্পেনগী নভারোবু ৫–৭, ৬–৪, ৭–৫দা থোইরম্বী য়ু এসকী বান্দিৱেগী অমসুং চাইনাগী ক্বিয়ু ৱাংবু ৬–৪, ৭–৫দা থোইখিবী রুসিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভানি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা মতম শাংনা নম্বর ৱান ওইরম্লবা সার্বিয়াগী শান্নরোই নোবাক জোকোবিসনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী নিকোলাস অলমাগ্রোবু ৬–১, ৪–৬, ৭–৫দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেসু মহাক্কী লম্বা রোমেনিয়াগী শান্নরোই এম কোপিলবু ৬–৩, ৬–৪দা থোইখি। অমরোমদা জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসনা নেদর্লেন্দসকী রোবিন হেসপু ৭–৬(৭–৫), ৬–৩দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

প্যুর্টো রিকোগী শান্নরোই পাব্লো কিবাসনা ফ্রান্সকী নিকোলাস মাহুটপু ৫–৭, ৬–৪, ৬–৪দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখি।



*মাদ্রিদ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিয়া*

## ফেদরেসন কপ্তা দিএসকে সিবজিয়ান্সনা বেঙ্গালুরু এফসিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অদুগী অনৌবা ফিভম অমদা লৈখ্রে

*কট্টক, মে ১০ঃ*

ওরিষাগী কট্টক্তা লৈবা বরাবতি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ৩৮ শুবা হিরো ফেদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (বি) গী মেটচ অমদা মহারাস্ত্রগী পুনেদা বেজ তৌবা দিএসকে সিবজিয়ান্সনা বেঙ্গালুরু এফসিপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রপ (বি) দা টিমশিংগী পোইন্ট দু অনৌবা ফিভম অমদা লৈখ্রে

ঙসি দিএসকে সিবজিয়ান্সনা বেঙ্গালুরু এফসিপু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা টিম ৪ নাশাবা গ্রুপ অদুদা টিম ৩ পোইন্ট মান্নদুনা লৈবদগী করম্বা টিম অনীনা সেমি ফাইনেল য়ৌগদগে হায়বগী মতাংদা অনৌবা ফিভম অমা লাকখিবনি।

সিবজিয়ান্সকী মায়কৈদগী জোন বরাসোনা পাঞ্জল অনীমক চনখি। গ্রুপ অদুগী অতোপ্প মেটচ অমদা মোহন বগাননা শিল্লং লাজোংবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা মেটচ অমমম লোইরকপদা মোহন বগাননা পোইন্ট ৩ ফংদুনা মাঙজিল থারি।

অদুবু মেটচ অনী শান্নখ্রবা দিএসকে সিবজিান্স অমসুং বেঙ্গালুরু এফসিপু পোইন্ট ৩। ৩ ফংদুনা লৈবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেলদা টিম অহুম লৈরি।



### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR

Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 434/SDC/P of 2017

Md. Asharar Ali S/o (L) Kasim Ali of Keirao Sabal Leikai

Petitioner

-Vs-

Akhtar Hussain S/o (L) Abdul Rahaman of Keirao Sabal Leikai

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 10/5/2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Khetrigao গী Patta No. 259 (অরিবা) 89/799(N) (অনৌবা) C.S. Dag Nos.237/592 an area .05 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/2112(E)/11

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR

Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 433/SDC/P of 2017

1. Moirangthem Ibohanbi Singh S/o (L) Merajao Singh of Khurai Kongpal Sajor Leikai
2. M. Momon Singh S/o -do- of -do -
3. M. Modhu Singh S/o -do -of- do-
4. M. Sanjoy Singh S/o (L) Ibopishak Singh -of-do-
5. M. Sunil Singh S/o (L) -do-of-do-

Petitioners

-Vs-

M. Gopal Singh S/o (L) Chaoba Singh of Khurai Kongpal Sajor Sorokhaibam Leikai
2. M. Bira Singh S/o (L) -do-of-do-

O.P.s

**NOTICE**

Porompat, the 10/5/2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 15-Sajor Leikai গী Patta No. 65 (অরিবা) 278 (অনৌবা) C.S. Dag Nos.556 an area .24 acre of Ingkhol class লম অসিগী Co-Pattadar 1 and 2 অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar 1 and 2 গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/2112(D)/11